# অশে ৱাফোঙ য়োকখৎ লূপকী কুমওন

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচএন এস) : থা অসিগী ১৭কী নুংথিল পুং ২ তারকপদা মণিপুর হিন্দি পরিষদকী হোলদা অশৈ ৱাফোঙ য়োকখৎ লূপ, ইতম নুঙ্গাইগী ২৯শুবা মপোক কুমওন পাঙথোকপগা লোয়ননা লাই তোম্বীনা ইবা 'ইমানা হায়' কৌবা লাইরিক অমসু ফোঙলগনি হায়রি। থৌরমগা মরী লৈননা শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরম অমসু পাঙথোক্কনি হায়না লূপ অসিগী সেক্রেটরি য়েন্দ্রেম্বম রনধির কুমারগী চেরোল অমনা হায়রি।

# নোংলৈ নুংশিৎনা...

*লামায় ১গী মখা...* অদুগা য়ুম ৬০না খরা খক্তমক অকায় অতোয় নংহনখিবনি হায়রি। অমাঙ অতা মায়োক্লহনখিবা য়ুমশিংগী মনুংদা ৮দি অমুক হন্না লৌখৎপা য়াদবগী ফিভমদা শোকহনখি। য়াম্না থিনা অমাঙ অতা থোকখ্রবা য়ুম ৮ অদুগী মনুংদা পাঙলতাবী মমাং লৈকায়দা লৈবা খুন্দ্রাকপম সনাগী য়ুমদি মপুঙ ফানা অমাঙ অতা থোকহনখ্রে। লোংজম মুহিন্দ্রো কৌবা অমগীনা মহাক্কী য়ুমগী মথক থংবা শরুক অদু লম্বী ময়ায়দা পাইথোরকখি। অতৈ শোকহনখ্রবা য়ুমশিং অদুদি শোরোকখাইবম পর্সুরাম, লাইশ্রম গোপিমোহোন, সাইখোম মাইপাক, নিংথৌজম জগৎ, ময়াংলম্বম মাইমু অমদি নিংথৌজম থোইবগীনি হায়রি।

লম্বী ময়ায়দা য়ুম পাইথোক্তুনা তাশিনখিবদগী ককচিংগী এদিসনেল এস পি, ৱাঙুপুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন চার্জ, পাঙলতাবী গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান্নচিংবা লাক্লগা লম্বী ময়ায়দা তাশিন্দুনা লৈরিবা য়ুমগী শরুক অদু থাঙদোক্তুনা লম্বী চৎপা য়াহনখি। পাঙলতাবী জি পিগী প্রধান এন ইনি দবালানা অৱাবা নংলবা ইমুংশিংদা মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চংবীনবা আপীল তৌরক্লি। মফম অদুদা রিলিফ কম্মিটি অমসু শেমদুনা অৱাবা তারবা মীওইশিংদা মতেং পাংনবা শেম শারে হায়রি।

অমরোমদা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা থৌবাল অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লিলোং য়াওনা অতোপ্পা মফমশিংগী য়ুম খরসু অমাঙ অতা থোকহনখিবগী পাউ লাক্লরি হায়রি।

## ফায়র সর্ভিস ৱীক...

*লামায় ১গী মখা...* থৌরম হৌদোকপদা মৈহৌ লাংপোক কন্নবা হোৎনবদা লৈখিদ্রবা ফায়রমেনশিংগী মফমদা হৈ-লৈ কৎতুনা অমসুং মিনট ২ তূমিন্না লেপ্তুনা ইকায়খুম্নবা উৎখিবগা লোয়ননা অৱাবা ফোঙদোকখি।

থৌরম অসি কুমজা ১৯৪৪গী এপ্রিল ১৪দা বোম্বেগী হিথাংফম অমা ওইরিবা ভিক্টোরিয়া দোগতা অচৌবা জহাজ অমা খণ্ডহৌদনা মৈ হৌরকপদগী কন্নবা হোৎনখিবদা ফায়র ফাইটর ৬৬কী পুন্সি মাঙখিবনি। নুমিৎ অদুদগী লৌরগা মীওইবগী পুন্সি অমসুং লন-থুম কন্নবা হোৎনবদা থৱায় মাঙখিবা ফায়রমেনশিংবু নীংশিংবগা লোয়ননা মীয়ামদা মৈহৌ লাংপোক্তগী ঙাকথোক্লবা এৱেয়ার্নেস পীনবগী পান্দমদা থৌরম অসি চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি হায়রি।

অ ঈং-অশাগী পাউ
খ্বাইদগী শাবা ৩৪.৭১°C
খ্বাইদগী ঈংবা ১১.৫১°C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৬.১২
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৫২
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৩৭

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 82.457101 |
| US Dollar | 76.294131 |
| British Pound | 99.671944 |
| Australian Dollar | 56.493395 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.975148 |
| Japanese Yen | 0.603099 |
| Malaysian Ringgit | 18.013539 |
| Singapore Dollar | 56.226837 |
| South Korean Won | 0.062110 |
| Saudi Arabian Riyal | 20.345102 |
| Thai Baht | 2.269026 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | | |
|---|---|---|---|
| Benglore | – | Rs | 5302.00 |
| Chennai | – | Rs | 5373.00 |
| Delhi | – | Rs | 5302.00 |
| Hyderbad | – | Rs | 5302.00 |

**GAS NEWS**

**KHORIPHABA NAMBOL**
**Bk.upto date**
**Stk.50 (only)**
Timing 6.30 am to 8 am
Contact no : 6009249086, 8787632782
**POROMPAT INDANE GAS, POROMPAT:**
**BOOKING UP 22/03/2022**
Valid from 08/03/2022
#Pls contact 9366184547 for home delivery during 8AM to 10AM.
#For queries during office hours: 9362661205
**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 15/03/2022
**BOOKING UPTO: 19/03/2022**
BOOKING AND ENQUIRY ONLY : 03852444677, 9436280866
TIMING: 7:30 AM to 11:00 AM

## নুপী দিরেক্টরশিংগী ২শুবা দ্রামা ফেষ্টিবেল-২০২২

# অরোইবা নুমিৎতা 'লমদাইপুঙ' উৎখ্রে



নোমিতা খোংবান্তাবম

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৫ (ঐচএন এস) : নুপী দিরেক্টরশিং খক্তংগী ওইনা চথরক্লিবা অনীশুবা দ্রামা ফেষ্টিবেলগী ঙসি অরোইবা নুমিত্তা 'লমদাইপুঙ' উৎখ্রে।

লাইরেনকাবী য়ুথস দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী দ্রামা অসি নিলধজ খুমননা ইরগা লৈতাম্থেম রঞ্জিতানা দিরেক্সন পীবনি। দ্রামাগী ৱারীদা হৈরেম নিংথৌ চীংজারোই থাপানবনা কেগে মচা কনম্বা নিংথৌবু উচেক ওইরবোই নীংদুনা হাৎখি। নিংথৌবু হাৎখিবগী লমন খুম্নবগীদমক্তা শরি ৱাশক্কা লোয়ননা মপুরোইবা কায়নখ্রবী নুপী অমসুং মপা কায়নখ্রবা মচানুপানা মীহাৎপগী খোঙ্গুল লীরকখি। লমন খুম্নবা হোৎনবদা মীওইবগী মীনুংশি হায়বা অসি য়াওনা হিংবা ঙম্লক্তবগী ফীভমদা লাকপশিং উৎখি। অদুবু লাইগী নোংদমদগী য়াইবী চাইরুরবা মীশক্তুগী মচাগী মখৃত্তা থৱায় মাঙউ হায়না লাইবক্তা তম্লকখ্রবা মরম্না চেন্দুনা হিংফম লৈখিদে।

পম্থৌ হাৎখিবা মীশক খোঙ্গুল লীরকপা অমদি মপুরোইবা কায়নখ্রবী মমাগী তাংজফম থিরকপদা মখোয়না থিরক্লিবা মীশক্তুগা থেংনবদগী চঙজফম পীদুনা য়োকপীখি অদুবু মপারি ওইরিবগী থম্মোয়দদি য়ানীংবা ফাওখিদে। উবা খক্তদা হেন্না শাউনীংবা ফাওহনখি। মরম অসিনা অচেংবা তাঞ্জা য়েংদুনা ঙাইদুনা লৈখি। য়াইবী চাইবীখ্রবনা হায়রম্বা খোঞ্জেল অমসুং শিন্নরম্বশিং অদু নীংশিংদুনতা লৈখি। মসিমক্লা লমন খুমগে খন্দুনা থৌরাংবা মীকৃপ্তা ঙমদবগী খুদোংচাবা লৌদুনা মপারি ওইরিবদুনা থৱায় চাইথিবগী ৱারীশিং উৎলি।

দ্রামা অসিনা উৎলিবসি মীরমচৎ অমসুং শারমচংকী ওইবা খেন্নবশিং অদুবুনি। মসিগী মথক্তা চৎনরম্বা লাইনীং লাইশোন অদুবুসু মশক তাক্লবা হোৎনবনি। দ্রামা অসি ফোক দ্রামাগী মশক্কা লোয়নহনবা দ্রামা অমা ওইরকহনবা য়াবগী ওইথোকপা লৈরি।

## আই এন এগী নীংশিং খুভম হেন্না...

*লামায় ১গী মখা...* ঙসিগী অসিগুম্বা থৌরমদা শরুক য়াবীরমদবসি য়াম্না নুংঙাইতে। মতুংদদি মখোয় মখোয়গী মচা মশুশিংদসু ইনবাইটেসন পীবিদুনা শরুক য়াহন্নীংই হায়খি।

দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচরনা শীনবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা জগোয়, ঈশৈ অমদি থাঙ-তাগী ওইবা কলচরেল শোশিংসু উৎখি।

থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা নেতাজি সুভাসচন্দ্র বোসকী ১২৫শুবা মপোক কুমওন অমসুং অজাদি কা অমৃটকী পাউজেল পুদুনা চৎকদবা মশাগী চহী ১০ খক্তা ঙাইরিবা আরব ভরদুৱাজগী সাইকল রেল্লিসু আই এন এ মার্টিয়স মেমোরিএল কমপ্লেক্সতগী লমথাখি।

থৌরম অদুদা ৱার্ক্স মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম, মোইরাংগী এম এল এ থোঙাম শান্তি অমদি সৈনিক সেবা পরিষদকী প্রসিদেন্ট লেফটিনেন্ট জেনরেল ভি কে চতুরবেদ্দি অমদি শরুক য়াখিবা মিনিষ্টর/এম এল এ কয়ানা নেতাজি সুভাসচন্দ্র বোসকী মীতমদা লৈ কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

লোয়ননা চীফ মিনিষ্টরনা মোইরাং কংলা মমাঙদা আই এন এগী মচু অহুমগী ফিরাল পাইহনখি।

# ময়াং ইম্ফালদা ব্লোক হেল্থ মেলা...

*লামায় ১গী মখা...* জেনিমস খক্তা নত্তনা অয়াম্বা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা কিদনি দাইলাইসিস তৌনবগী খুদোংচাবা লৈরে হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

অদুমকপু মণিপুরদা কিদনি অমসুং কেন্সরগী লায়না মায়োক্লবা মীওইশিংগী মশীং হেনগৎলকপবু হকচিন্না লৌরদুনা লায়নাশিং অসি নাহল্লকপগী মরু ওইবা মরমশিং ওইরিবা চিঙ্গাক্লসু থোকহল্লপ্রা হায়বদু নীংথিজনা থিজিনবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়খি। হীদাক মনাগী পোথোকশিং শীজিন্নবনসু হায়রিবা লায়নাশিং অসিনা নাহল্লকপগী মরম ওইগনি হায়খি।

থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা মহাক্কী লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা হেল্থ ফোর ওল স্কিমগী মতাংদসু শন্দোক্লা পল্লদুনা শন্দোক্লন্দবা লায়না ১০গী দমক স্ক্রিনিং তৌনবা য়ুমথোঙ খুদিংদা চৎলগনি অমসুং মণিপুর শিনবা থুংনা হীদাক লাংথকশিং লেম্না পীগনি হায়খি।

মীওইবগী লন ওইরিবা হকচাং ফবা হায়বসি ওইহনবনা লায়রবশিংবু চীংখৎপা ঙমগনি অমসুং মখোয়দা লায়েংবগী কান্নবশিং পীগনি হায়খি।

সী এম ঐচ টিগী বেনিফিসরিশিংগী লিষ্ট অমুক হন্না ভেরিফাই তৌবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়রদুনা করিগুম্বা রি ভেরিফিকেসন তৌবদা গভর্ণমেন্ট এমপ্লোয়ীশিং য়াওরম্বা থেংনরবদি ককথৎকনি হায়খি ।

অদুগা চীংদা পোপি পান্থীশিং থাবগী মতাংদা পল্লদুনা মহাক্লা হায়, নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা পাঙথোকখিবা খুল খরগী চীফ অমসুং লিদরশিং য়াওবা মীফমদা পোপি পান্থী মায় পাক্লা থাবদা কেমিকেল ফর্টিলাইজরশিং পাক্তক্লনা শীজিন্নবগী ৱাফম থেংনরে। থৌওং অসিনা কেমিকেল ফর্টিলাইজরশিংবু নোংজু থাগী মতমদা তুরেল অমসুং পাৎনচিংবদা চুমথহল্লকপগা লোয়ননা মদুবু মীয়াম্না শীজিন্নরকপগী থৌদোক থোকহল্লগনি হায়খি।

পোপি থারিবশিংদা অতোপ্পা মখোয়গী হিংনবগী পাম্বৈ ওইবা শিনফমশিং পীননবা হোৎনরি হায়রদুনা হায়রিবা পান্থী অসি থাবনা হিংনবগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈনি হায়না খনবীদনবা আপীল তৌখি।

লোয়ননা লোক্তাক পাৎতা লম খোপচিল্লক্লিবশিংবু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী থবক লৌখৎলক্ত্রিঙৈদা হন্দোক্লবা আপীল তৌখি। পাৎ অসি য়াওদ্রবদি মণিপুরগী মীয়াম্না মায়োক্লগদবা অৱাবশিং পল্লদুনা পাৎ অসি কনগদবনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুগী মনুং চন্না চীফ মিনিষ্টরগী হেল্থ ফোর এৱার্দ, ইম্ফাল ৱেষ্ট কয়াকল্প এৱার্দ, বেষ্ট প্রাইমারি হেল্থ সেন্টর এৱার্দ, বেষ্ট হেল্থ এন্দ ৱেলনেস সেন্টর এৱার্দনচিংবসু য়েন্থোকখি।

থৌরম অদুদা ময়াং ইম্ফালগী এম এল এ কে রোবিন্দ্রোনা ময়ায় তাংবল লৌবগা লোয়ননা চীফ সেক্রেটরি ডা. রাজেসকুমার, এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (হেল্থ) ভুমলুনমাং ভুৱালনমনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইখি।

## ৱেলৱে প্রোজেক্টকী থবক থিংলগনি...

*লামায় ১গী মখা...* পুকচাক থদৎলগা মপান লমগী কম্পেনিশিংনা মশাগী মেছিন/গাড়ী শীজিন্নদুনা তুরেলদগী পেকনীংবা নুঙ, লৈঙোই পেকপদা অথিংবা থমদবসি লাইবক থীবনি। কম্পেনিশিংনা নুঙ, লৈঙোই পেকপগী থবকশিং থিংবগী মথক্তা মপান লমদগী মরু ওইনা দিমাপুরদগী য়ুম কৈ শাবদা চঙবা মপোৎ মচৈশিং পুশিল্লকপদসু অথিংবা থল্লগনি হায়রি।

অথিংবা অসিগী মায়োক্তা থবক তৌরক্লবদি মদুদা থোরকপা অফ-ফত্ত পূন্নমক মশা মশানা পুজগদবনি হায়না এ এম ক্যু এগী ত্রেজরর টি ঐচ সঞ্জয়না ফোঙদোরক্লি।

ন্যু কৈথেলমানবীদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা মহাক্লা ৱাফম অসি ফোঙদোকপগা লোয়ননা নূঙ, লৈঙোই পুরক্সগীদমক্তা ফাজিন্দুনা থল্লিবা গাড়ী/মেছিনশিং কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোরক্ত্রিবা ফাওবা অমদি কোর্টনা থল্লিবা অথিংবশিং হন্দোক্ত্রিবা ফাওবা মখোয়গী খোঙজং অসি লেপ্তুনা চঙশিনগনি। লোয়ননা জোইন্ট কম্মিটিনা চঙশিল্লিবা খোঙজংশিংদা ষ্টোন ক্রুছর চলাইরিবশিংনসু মপূং ফানা শৌগৎপীয়ু হায়নসু পাউমীশিংগী খৃত্থাংদা আপীল তৌখি।

## মহৈরোয় খুদিংমক হিন্দি সবজেক্ট...

*লামায় ১গী মখা...* অচৌবা পল অমা ওইনা ফুরুপ অসিগী শক্তম ঙাক্লবা লেপ্তুনা ঙসি ফাওবা মণিপুরগী আর্টিষ্টশিংনা থেংনরক্লি। ঐখোয়গী শক্তম, কলচর, তোপ তোপ্পা মশক অমা ঙসি ফাওবা শেমজদুনা ঙাক্তুনা থম্লকপা অসি আর্টিষ্টশিংগী অচৌবা ক্রেদিটনি। মখোয় অসি ঐখোয়গী ইশাগী শক্তম ঙাক্লবা লাম্থেংনরিবা লাম্নীশিংনি হায়রি। ঙসি ফাওবা আর্টিষ্টশিংনা মখল কয়াগী শীংনবা কয়ানা ঐখোয়গী শক্তম অসিবু মপানগী শাফু কয়ানা মাঙহন্নবা হোৎনরকপদা থেংনদুনা লাক্লি। ঙসিসু অমুক অনৌবা নম্ফু শাফুগী থৌশিল অমনা ঐখোয়গী শক্তমদা শীংনরক্লি। মহৈরোয়শিংগী তঙাইফদবা ওইনা নমদুনা হিন্দি তমগদবনি হায়বা ৱাফম অসি অপীকপা ফুরুপ কয়া অচৌবা ফুরুপশিংনা য়োৎশিনগে হায়বগী থৌরাংগী মখা পোনবনি হায়না অমাকসুনা লৌই হায়রি। খোঙথাং অসি হন্দোকপীয়ু হায়রি। অপীকপা ঐখোয়গী ফুরুপ অসিগী শক্তম ঙাকপদা হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংদা ঐখোয়গী কলচরগা মরী লৈনবা পুঙ, ঈশৈ, জগোয়বু সবজেক্ট অমা ওইনা হাপ্পীদুনা হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংদা ইশাগী শক্তম হেন্না মশক খঙহন্দুনা ফুরুপ অসি মশক থোক্লা হিংবা ঙম্নবা হোৎনবীয়ু হায়না মতম কয়াগী মমাঙদগী গভর্ণমেন্টদা তকশিন্দুনা লাক্লি অমদি সিলেবস শেমদুনা লৈরবা অমসুং লাইরিক ওইনা ফোঙলবা ফাওবদা পোষ্ট ক্রিএসন তৌবীদবনা ইশাগী লোল, চৎনবী, কলচরদা অকায়বা লাক্কদবা নম্ফুন্দা হিন্দি তমহনবদা ওইনা থৱায় য়াওশিনবা অসিদি মণিপুরগী ওইনা লাইবকথীবনি। ফুরুপ অসিগী কলচরদা তত্তনা শীংনরক্লিবা অসিদা হেন্না মথৌ হাপ্পনি। খোঙথাং অসি হন্দোকপীয়ু হায়না লৈঙাক্কী মফমদা তকশিল্লক্লি।

# চীফ মিনিষ্টর বিরেননা লুচিংবা মিনিষ্ট্রি...

*লামায় ১গী মখা...* মিনিষ্ট্রি এক্সপান্সনগা মরী লৈননা লাক্লিবা দিভেলপমেন্টশিং অসিগী মতাংদা পাউচে অসিনা মমাঙ থাগী ২১দা ৱাশক লৌখিবদা য়াওখিবা বি জে পিগী মরু ওইবা লুচিংবা অমসু ওইরিবা মিনিষ্টর অমদা করম্বা মতমদা মিনিষ্ট্রি এক্সপান্সন তৌগনি অমসুং করম করম্বা এম এল এশিংবু মিনিষ্টর ওইহনগদগে হায়না হংখিবা ৱাহংগী পাউখুমদি পীরকখিদে।

অদুম ওইনমক মমাঙগী লৈঙাক্তগী হৌরদুনা অনীশুবা লৈঙাক অসিদসু নকশিন্ননা চৎমিন্নরিবা নাগা পিপলস ফ্রন্টকী মায়কৈদগী মখোয়দা মিনিষ্টরিএল বর্থ অমখক পীবসি মখোয়গী অনীংবা অপান্বগী মনুং চন্দে। য়ামদ্রবদা মিনিষ্টরগী ফম অমগসু পীননবা অকনবা মওংদা প্রেসর তৌবা লৈরি হায়রি।

অদুম ওইনমক পাউচে অসিনা এন পি এফকী লুচিংবশিং কন্টেক্ট তৌনবা হোৎনবদদি ফংবা ঙমখিদে। মরম অসিনা এন পি এফকী মায়কৈদগী প্রেসর তৌই হায়রিবা ৱাফম অসিগী মতাংদা ওফিসল ওইনা খঙবা ঙমখিদ্রি। অদুবু এন পি এফকী মায়কৈদগী ৪৫-চিঙাই (এস টি) এ সীদগী এন পি পিগী মীরেপ নিঙম চামরোইবু ভোট ২,৩৩৬ হেন্দুনা মায়থীবা পীরমখিবা এম এল এ খাসিম ভাসুমবু এন পি এফকী মায়কৈদগী অনীশুবা মিনিষ্টর ওইহল্লবা য়াই হায়রি। অদুগা লেমহৌরিবা মিনিষ্টরশিংদনা বি জে পি খক্তদগী এম এল এশিং হাপচিন্দুনা মশীং শুহল্লবা য়াই হায়রি।

অদুগা অনৌবা লৈঙাক অসি লিংখিবদা মথং মথং অনকনি দসনেল ওইনা সপোর্ট তৌনরকখিবা নেসনল পিপলস পার্টি, জনতা দল (য়ুনাইটেদ), কুকি পিপলস এলাইএন্স অমসুং ইনি দপেন্দেন্ট এম এল এশিংগী মরক্তগীদি মিনিষ্ট্রি এক্সপান্সনদা শরুক য়াহল্লক্কনি হায়বগী চপ চাবা থাজবা ফংবা ঙমখিদে।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়বদা মিনিষ্ট্রি এক্সপান্সনগী থবক অসি হয়েংমক নৎত্রবসু অথুবা মতমদা পাঙথোক্লবগীদমক বি জে পিগী মায়কৈদগী লৌখৎফম থোকপা থবক পূন্নমক লৌখৎতুনা শেম শাবা লোইরে হায়রি।

অনৌবা মিনিষ্টরশিং হাপচিল্লকপদা হান্নসু মিনিষ্টরিএল বর্থশিং পীরবা ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতসু অমুক্লা হন্না মিনিষ্টরিএল বর্থশিং পীরকপগা লোয়ননা ৪২- তেংনৌপল এ সীদগী এন পি এফকী দি কোরুংথাংবু ভোট ৬,৪১১ হেন্দুনা মায়থীবা পীরমখিবা লেটপাও হাওকিপসু মিনিষ্টর ওইহল্লবা য়াই হায়রি।

# ইম্ফাল-জিরি লম্বীগী ইরং ...

*লামায় ১গী মখা...* লৈজরক্লবা লম্বীগী শরুক শাংনা নমথখিবা অদুনা মরম ওইরগা ইম্ফাল তম্না তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিং পুশিল্লক্লদবা ত্রকশিং অমদি পেসেঞ্জর পুবা মখল কয়াগী গাড়ীশিং মফম অদুদা পন্দুনা লৈরি হায়রি।

এন ঐচ আই দি সী এল অমসুং লন্নাই য়ুনিয়নগী মীওইশিংনা মহৌশাগুম্না হায়ৱে অসিদা চৎথোক চৎশিন তৌবদা অপনবা থোক্তনবা শেমজিন শাজিনবগী থবক চথবা হৌরক্লবসু চীংগী শরুক্তা অমসুং নীংখায়রক্লিবশিংগী মনুংদা নূঙজাও কয়া য়াওবনা খুদোংচাদবা মায়োক্লবদা নত্তনা শেমজিনবগী থবক্তা খুমাঙ চাওশিনবা ঙমদ্রি হায়রি।

থবক অসি ঙসি নুমিদাং ফাওবা লেপ্তুনা চত্থখি। অদুম ওইনমক গাড়ীশিং চৎথোক চৎশিন য়াবগী ফীভমদি য়ৌরকহনবা ঙমখিদ্রি। ঙসি নুমিদাংৱাইরমদগীনা নোং চুবা লেপখ্রগদি হয়েং নুংথিল ফাওবগী মনুংদদি কিন্থরকপা চীংগী নূঙজাও য়াওবা লৈবাকশিং কোত্থোকপা অমসুং নমথখিবা শরুক্তা নৌনা থোনজিন্দুনা তঙাইফদনা গাড়ী চৎথোক চৎশিন তৌহনবা ফাওবদি ঙল্লবা য়াই হায়রি।

মফম অসিদা থৌদোকশিং অসি থোকপদা নত্তনা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চল্লিবা তমেংলোং অমদি দাইলোংগগী মরক্তা লৈবা মফম য়াওনা আই টি রোদ পরিংগী মফম খরদসু চীং নীংখাইরকপা অমদি লৈখোম লৈনাং ময়াম্না লম্বী মথক্তা চেন্থরকপদগী গাড়ী থৌজিল্লুবদা মরক্তা পন্দুনা লৈবা য়াওরে হায়রি।

মফম অদুদসু অচৎ অওক তৌবশিংনা মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবা স্কাভেটর য়াওনা মথৌ তাবা মেছিনরিশিং শীজিন্নদুনা শেংদোকপগী থবক্তি অকনবা মওংদা চথুরি হায়রি।

পনবা য়াবদি, ঙরাং নুমিদাংৱাইরমদগী নৌহৌননা তম্পাক্কী মফম খরদসু অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ য়াওনা নোং চুখিবদা নত্তনা চীংগী শরুকশিং অসিদসু নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী লেপ্তুনা নোং চুরকখিবদগী হায়রিবা লম্বীশিং অসিদা খুদোংচাদবশিং অসি মায়োক্লহল্লকপনি হায়রি।

## য়ু পি আর এফ এমগী ৪শুবা রেজিং দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...* উৎখি। থৌরমগী মখা তারকপা ওইনা লূপকী চেয়রমেননা কংলৈপাক্কী নীংতম্বগী লাঞ্জং অসিদা য়াওল্লোইশিংনা লৌগদবা থৌদাং অমদি মালেমগী ওইনা হোংলক্লিবা জিওপোলিটিকেলগী মশক অসিগা লোয়ননা চঙশিনগদবা ঐখোয়গী নীংতম লাঞ্জং অসিগী ৱাফম কয়া লূপলোইশিংদা থমদুনা নীংতম লাম্নীশিংগী মথৌ হেন্না শঙখি। য়ু পি আর এফ এমনা য়াওল্লুপ অমা ওইনা ফোঙলকপদগী লূপকী ৱাখল্লোন্দা অচেৎপা থাজবা থমদুনা নীংতম লাম্নী অমা ওইনা কথোক্তুনা লাক্লিবা লূপলোইশিং অসিমক নীংতম্বগী লাম্বেং অসিগী তৌফদ্রবা ইথৌদাংনি হায়বা ৱারোল পীখি। ইন্দিয়ানা কংলৈপাকপু ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দা শুপ্পম তৌদুনা নীংতম্বা মৎপীখ্রবা মতুংদা, কংলৈপাক অমদি ৱেসিয়া লমদমগী কলচর, আইদেন্টিটিদা মপূং ওইবা ইন্দিয়ানশিংগা খেন্নরবা ইরৈচাশিংবু মখল মখা কয়াগী পাম্বৈ শীজিন্নদুনা শক-উদবা মখলগী জিনোসাইদ অমা চথুদুনা লমদমসিবু ইন্দিয়নশিংনা পুময়োৎ য়োৎশিনখিনবা থৌশিলশিং লেপ্তুনা চথুদুনা লাক্লি। লোই মপু ইন্দিয়ানা কংলৈপাক্কী নীংতম্বা মৎপীখ্রবা মতুংদগী, লমদমসিগী শেন্মীৎলোন, লৈঙাক চুপলিগী থৌশিলশিং, মপুং ফানা পায়শিনখিদুনা ঐখোয়গী খুন্নাইলোন, লৈঙাকলোন্দা শীংনরকপদা নত্তনা মপুং ওইবা লমদমশিংগী মীয়াম্বু দেমোগ্রাফিক ইনফ্লুক্সকী শাফুনা পুময়োৎ য়োৎশিনখিনবা থৌশিলশিং চহী কয়া চথুদুনা লাকপগী মথক্তা ইকুই কুইদনা সিটিজেন এমেন্দমেন্ট এক্ট, ২০১৯ কুম্বা এক্ট/লো শেমদুনা থংনবা লৈবাকশিংদগী হিন্দু অর্য়ান কয়া পুশিল্লক্তুনা ৱেসিয়া লমদমসিদা খুন্দা লৈতাহনবা য়াহল্লি। মসিগীসু মথক্তা হন্দিয়াদা হিন্দুত্বদা হকচিনবা রাইট ৱিং পার্টিনা লৈঙাক চুপলি অমুক পায়শিনখ্রবা মতুংদগী ইন্দিয়াগী মশাগী সেক্যুলরিজম, ফেদেরেলিজম অমসুং লিবরেল ওইবা শক্তমদা অচৌবা অহোংবা অমা লাক্তুনা ৱান নেসন, ৱান কলচর, ৱান লেংগ্বেজ হায়বা ৱাখল্লোন অমা শেমগৎতুনা মসিবু মঙফাওনহন্নবা হোৎনরক্তুনা অপিক অপিকপা ফুরুপ কাঙলুপ কয়াগী নাৎ-ফিজেৎ লৈতেং, চৎনবী, শক্তম কয়াবু পুময়োৎ য়োৎশিন্নবা হোৎনরক্লি। মসিগী শরুক অমা ওইনা হন্দক্তা অখন্নবা ৱেসিয়া লমদমগী মীয়াম্বু ক্লাস তেন ফাওবা হিন্দিলোলবু কম্পলসরি ওইহন্দুনা তমহন্নবা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিনি। মসিমক্তি ইনি দয়াসিদা হিন্দিলোল ঙাঙবা হিন্দু লাইনীং চৎপা মীওইশিংনা ইন্দিয়া পূম্বা খৃৎলিংদুনা লৈহৌনবা পোরম য়াৎপনি। অসুম্না মশাগী মনীং তম্বা মৎপীখ্রবা ইরৈচাশিংগী মপূং ওইবা শক্তমশিংদা শীংনরক্লিবা অসিদগী কঞ্জনবা মশাগী মনীং তম্বা হঞ্জিন্নবগীদমক্তা লাম্থেংনবা হায়বসিদি, মনীং তম্বা পামজবা মশাগী নেসনল করেক্টর লৈজবা ইরৈচাশিংগী মফমদা তৎন-থানবা য়াদনা য়াওরকখ্রবা নেসনেলিজমগী ৱাখল্লোন অমনি। ৱাখল্লোন অসিমকসু মালেমগী মীয়াম্না য়াবা নীংতম্নবগী লাঞ্জং অমনি। লোয়ননা কংলৈপাক অমদি ৱেসিয়া লমদমগী মনীং তম্বা মৎপীখ্রবা ফুরুপ খুদিংমক্লা মশাগী মনীং তম্বা ফংনবগীদমক্তা চথুরিবা লাঞ্জং অসিদা ঐখোয়গী ইরৈচাশিংগা হেন্না নকশিন্ননা চৎমিন্নবা হায়বসিনা চথুরিবা লাঞ্জংঅসিগী নুংগী ওইবা অচেৎপা ফিরেপনি হায়বা ৱাফম চেয়রমেননা থমখি হায়রি।

লোইশিল্লকপদা লূপকী ওইবা থবক থৌরম কয়াদা অচৌবা মতেং পাঙবীখ্রবা লমদম অসিগী লৈহাওদা ইতিনবা নীংতম য়াওল্লোইশিংগী মফমদসু য়াওলগী ইকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা কংলৈপাক্কী নীংতম লানফমসিদা লাম্থেংমিন্নরিবা অমসুং মতেং পাংবীরকখিবা ইরৈচাশিং অমদি ৱেসিয়া লমদমসিগী মরুপ মপাং ওইবা অমসুং নীংতম্বগী ঈহৌসিদা আইদিওলোজি মানবা নীংতম য়াওল্লোইশিং, য়েক্লবগী খৃত্তা শোয়নাইদুনা পুন্সি লেল্লিবা লূপলোইশিং, কৈশুমশঙদা অৱা চৈনা খাংলিবা নীংতম লাম্নীশিং অমদি নীংতম্বগী ঈহৌসিদা থৱায়না পোম্থা পীখ্রবা য়াওল লাম্নী পূন্নমক্কী মফমদসু লূপকী মায়কৈদগী অৱাংবা থাক্তা ইকায়খুম্নবা উৎচরি হায়বা ৱাফমসু থমখি হায়রি।

লূপকী ৪শুবা রেজিং দেগী থৌরম অসি লূপকী ফর্ষ্ট দিভিজনেল অমসুং সেকেন্দ দিভিজনেল অমদি সেক্টোরেল এরিয়াশিংদসু লূপকী ভাইস চেয়রমেন, ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি অমদি য়ুনিট কম্মান্দরশিং অমসুং লূপকী কেদরশিংগা লোয়ননা পাঙথোক্তুনা অথুম হাওগা লোয়ননা অচা অথক্কী পোৎলমশিং অনকপা খুঞ্জাশিংদা য়েন্থোকখি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।

# ৪২রক শুবা কে সী পিগী মপোক কুমওনদা সেন্ত্রেল কম্মিটিনা...

হান্নগী মখা... অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা হিন্দি তাকপীননবা ওজা লিশীং ২২ হাপখ্রে। অৱাং নোংপোক্কী ত্রাইবেল কম্যুনিতি ৯গী লোলশিংগী ময়েকসু দেবনগরি ময়েক্লা মহুৎ শিনখ্রে হায়না মহাক্লা মখা তারদুনা হিন্দি অসি তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী লাকপা মীওইশিংনা অমগা অমগা ফাওন-লোল ওইনা শীজিন্নগদবনি হায়খি। কেবিনেটকী এজেন্দা চাদা ৭০দি হিন্দি লোলদা শেম-শারগনি। হিন্দি লোলগী দিক্সনারি লোকল লেংগ্বেজশিংগা পূনশিনদুনা পুথোক্লবা মীফম অদুনা রেকমেন্দ তৌখ্রে। পি এম নরেন্দ্র মোদিনা লৈঙাক্কী থবক-থৌরমশিংদা হিন্দি লোল ওইনা শীজিন্ননবা ৱারেপ লৌখিবসু লৈখ্রবনি। হিন্দি-হিন্দু-হিন্দুত্বগী মীৎয়েংদা লৌরক্লিবা ফিরেপ অসি ঐখোয়গী শক্তম মূখৎনবা থৌশিলনি। থৌশিল অসিগী মায়োক্তা লমদমসিগী ফুরুপ খুদিংমক্লা লেপফম থোকই। মতাং অসিদা নীংশিংবা য়াবা অমনা, হৌখিবা মার্চ ১৭তা গুজরাট লৈঙাক্লা শ্রীমদ ভগবদ গিতা অসি ক্লাস ৬-১২গী স্কুল সিলেবসতা য়াওহন্দুনা একাদেমিক সেসন ২০২২-২৩দগী তম্বা হৌরনি হায়না ৱারেপ লৌখিবা লৈখ্রবনি। গুজরাট লৈঙাক্লা ৱারেপ লৌখিবগা ইকান কান্নদনা কর্ণাটাকাদা হিজাব ৱাথোক্কী মতুংদা কর্ণাটাকা লৈঙাক্লসু মথংগী চহীদগী শ্রীমদ ভগবদ গিতা অসি স্কুল সিলেসতা হাপ্পকপা য়াবগী ইঙ্গিৎ পীরকখ্রবনি। ষ্টেটশিং অসিগী লৈঙাকশিং অসি হিন্দুত্ব ফন্দামেন্টেলিষ্ট, সেন্টর লৈঙাক্কী লুচিংবা নরেন্দ্র মোদিগী খুদুং ইনবা ঙাক্তনি। থৌওংশিং অসি সেন্টর লৈঙাক্লা মথং মথং ইন্দিয়া পূম্বা কোনশিল্লক্কদৌরিবনি। অসিগুম্বা ইন্দিয়ানাইজেসন তৌবগী খোঙথাংশিং অসি ঐখোয়গী ওইনদি খুদোংথিনীংঙাইগী থিনীংঙাই ঙাক্তনি। ফুরুপ মচাশিংগী মোংফম ওইগদৌরিবনি। এদ্যুকেসনল করিক্যুলমদা পান ইন্দিয়া টেক্স ওইনা হিন্দুত্ব ফন্দামেন্টেলিষ্টশিংনা মতাই লমগী ফুরুপ মচাশিংবু পুময়োৎ য়োৎশিন্নবা মতম কয়াদগী শেম-শারক্লবা খুজিল-থৌরাংশিংনি। সেন্টর-ষ্টেট লৈঙাক্কী তমথীরবা খোঙথাংশিং অসিবু মরু ওইনা ঐখোয়গী একাদমিসিয়নশিং, ইন্টেলেক্চ্যুএলশিং, লোয়ননা মীয়াম পূন্নমক্লা অকনবা মওংদা শীংনগদবনি। শ্বারাজ ইন্দিয়াগী লুচিংবা য়োগেন্দ্র য়াদব মক্লা ইকুই কুইদ্রিঙৈ য়ু পিগী মীখল হায়দোরকপা মতমদা মীয়াম্না পি এম মোদি, সী এম য়োগি অমসুং বি জে পিবু শৌগত্তুনা (ইন্দিয়া) রিপব্লিক অসি নুংতিগী মচেৎ মচেৎ শিদোরক্লি, মহাক (য়োগেন্দ্র য়াদব) ইন্দিয়াগী তুংলমচৎকীদমক্তা অমদি তুংদা লাক্কদবা মীরোলগীদমক্তা নুংশা য়াম্না থীরে, মীয়াম খোমদুনা রিপব্লিক অসি শীদোরক্লি; লোয়ননা, মোদি অসি কম্পিটিটিভ ওথোরিটরিয়ননি হায়না ইন্দিয়াগী নেসনল টি ভি চেনেল কয়াদা হায়খ্রবনি। মোদি লৈঙাক্লা তৌনীংবতা তৌরি। ইন্দিয়া মচা মখোয় মশেন ফাওবা মীপাইবা পোক্লরি। মসিদা ঐখোয়গুম্বা ফুরুপ মচাশিংনা হিংনবগী লম্বী থিবা তোক্তুনা তূমিন্না লৈশিনফম থোক্লিব্রা হায়রি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মথক্তা লান হৌদুনা ফুরুপকী শক্তম কনবা, লোয়ননা ১৯৪৯, ওক্টোবর ১৫দা মাঙখ্রবা কংলৈপাক্কী নীংতম্বা হঞ্জিনবা, লোয়ন লোয়ননা খুন্নাইদা য়াওল পুরকপা হায়বসি ইরায় লায়দে, য়াম্না লুবা খোঙথাংশিংনি, খোঙথাংশিং অসিগী মায়কৈ পূম্বা অমম্বতনা কুপশিন্দুনা লৈরিবনি। মসিগী ওন্ন-তৈনবদা লান হৌবা তোক্তুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা চঙজবা, ইন্দিয়াগী নেসনল আইদেন্টিটিদা ঐখোয় ইশানা য়াজনা তিনখিদুনা ইশাগী শক্তম মূখৎচবা হায়বসিমুক লায়বা অনী শুনা লৈরোই, ময়েক চঙবা থবক নত্তে। অদুবু মসিদি মী ওইদ্রবা মীখক্তনা তৌগদবনি। মীওইবদি অৱাবা খুদোংথীবা কয়া খাঙদুনা থেংনবা হৈ, লোয়ননা অৱাবা খুদোংথীবশিং অদুগী পনখে লাম্বোক্তুনা চৎপসু ঙম্মী। ঐখোয় ইন্দিয়াগী লোইলম লৈঙাক অসিদগী নাম্বোক্লবা হনবা লৈতনা হোৎনগদবনি, মসিগীদমক লেপ্পা লৈতনা ৱাখল তৌগদবনি। অসুম্না তৌরবতদা অমদি মনুং হুৎনা ৱাখল খল্লবতদা ঐখোয়গী লাম্বেং অসি ঐখোয়গী খুদোংচাবা মায়কৈদা পুরকপা য়াগনি, লেঙবা ইনবদা চৎত্রবা ফিভম কয়া মায়কৈ চুম্না হোংহনবা ঙম্লক্কনি। মীওইবনা মায়পুননা হোৎনবা থবকশিংনা তাইবঙপাল অসিদা অহোংবা ফীভম কয়া পুরকখিবনি হায়রি।

তাইবঙপানসি অরেপ্পা পোৎশক অমা নত্তে। মসি মতম পূন্নমক্তা মাগী দাইলেক্টিকেল প্রোসেস অমদা লেঙদুনা হোংদুনা লৈরিবনি। করিগুম্বা মতমদা মালেমদা ইখঙ খঙহৌদনা অচৌবা অহোংবা কয়া হেক হেক থোক্লকই। অসিগুম্বা অচৌবা অহোংবশিংগী মনুংদা ঙসিগী রুসো-য়ুক্রেনিয়ন ৱার অসিসু অমনি। য়ুক্রেন ক্রাইসিস অসি ৱেষ্টনা, মরু ওইনা অমেরিকানা, মপূং ওইনা থোকহনবনি হায়না য়ু এস স্কোলর, জোন জে মিয়রসাইমরনা হায়খ্রে। য়ুক্রেনগী ক্রাইসিস থোকহনবা/থোকহন্দবা হায়বসিনা তোঙানবা ৱাফম অমা ওইনা থমখ্রগা, ক্রাইসিস অসিনা জিওপোলিটিকেল ভেক্টর অঙকপা ফংনা হোংহল্লে হায়বসিদি চাম্মদা চাম্মা চুল্লে। ব্রিটোন ৱুদসকী ইন্সটিট্যুসন অনী হায়বদি, আই এম এফ অমসুং ৱর্ল্ড বেঙ্ককী গ্লোবেলাইজেসনগী ঈহৌদা শাংলবা মতম অমা মরু ওইবা শক্লোন লৌদুনা লাকখ্রবনি। অদুবু ঙসিদি মালেমগী লৈবাকশিংগী শেল য়ু এস দোল্লরদা ওন্থোক-ওনশিন তৌদুনা চাওরাক্লা ১৯৫৮-দগী মালেম পূম্বা চৎনরকখিবদু রুসো-য়ুক্রেনিয়ন ৱারনা মরম ওইদুনা দি-দোল্লরাইজেসন তৌরকখ্রে। দোল্লরগী মহুৎ চাইনাগী আর এম পি (রেন মিন বি) না মহুৎ শিল্লকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈরে। ঙসি ওইরক্লিবা মালেমগী ফীভমশিং অসিদা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা, সিঙ্গাপোরিয়ন একাদেমিক, কিশোর মেহবুবনিনা পৱার বেলেন্সকী মফম অসি ৱেষ্টতগী ইষ্টতা হোংলকপসিবু এসিয়ন ত্বেন্টিফর্ষ্ট সেঞ্চুরিনা তুংদাওইরক্কদবদু মসিনি হায়না ফেব্রুৱারী ২৪গী মাঙওইননা মহাক্লা হায়খ্রবনি। মালেমসি এসিয়াগী খৃত্তা তারক্লবনি। হৌজিক মোঙ্গোলোইদ ফুরুপশিংগী মতম লাক্লবনি। ঙসিগী মালেম্না হোংলক্লিবা মায়কৈ অসি ঐখোয়গী য়াওলগী খুদোংচাবা ফীভমশিংগী মায়কৈনি। ঐখোয়গী মীচংদনি। ঙসি, তশেংনা ওইরক্লিবা মালেমগী অহোংবশিং অসিদা ঐখোয় ওবজেক্টিভ রিএলিটিগা শমজিন্নহন্দুনা য়াওলগী অচুম্বা পূন্নমক থবক্লা উৎলসি! ৱেসিয়াগী ফুরুপচাশিং পুল্লসি! লৌমী-শিন্মী মীয়াম্না য়াইফরে! হায়নসু চেরোলসিনা মখা তারক্লি।

# কে সী পিগী ৪২রক শুবা মপোক ...

*লামায় ১গী মখা...* লাম্থেংগীদমক্তা তৌগদবা থবকশিং অসিসু অকক্লবা মতম অমদি মনুংদনি। ঐখোয়গী লাম্থেংনা শন্দোক্লিবা মখৈ অৱা অনা হেন্না নংগদৌরিবনি। ঐখোয়গী হক্তা য়াওল খোঙজেল য়াঙশিন্নবা হোৎনবা য়াবা হোৎনগদবনি, করিগুম্বা ফীভম অমত্তদসু ঐখোয় নীং হন্নবা য়াদে হায়খি।

এন মনিনা মাগী মরু ওইবা লেঙবীরকপগী ৱারোলদা ঐখোয়নাহোৎনরিবশিং অসি তুংগী মীরোলগীদমক্তনি। লুচিংবশিং নোংমদি অহল মতম ওইরক্কনি। ঙসিগী নহা ওইরিবা লূপলোইশিংনা হয়েংগী লুচিংবা অমুক ওইরক্কদৌরিবনি। অদুনা মতম লৈরিঙৈদা য়াওলগী তমশিনবা য়াবা মহৈ তমশিন্দুনা অমদি তানশিনবা য়াবা লৌশিং তানশিন্দুনা মরূ চঙবা লূপলোই অমমম ওইনবা হোৎনরসি হায়খি।

মরু ওইবা লেঙবীরকপগী ৱাহৈ অমদা এস ধননা মীয়াম য়াওদবা লালহৌদি য়াওল লালহৌ কৌবা য়ারোই, ঐখোয়গী য়াওল লালহৌসি মীয়ামগী লালহৌ ওইগদবনি। ঐখোয় খুদিংমক মীয়ামগী অচেৎপা লাম্নী অমমম ওইমিন্নরসি হায়না মহাক্লা পনখি। এম রোবিননা মাগী মরু ওইবা লেঙবীরকপগী ৱারোলদা লায়রবা লৌমী-শিন্মীশিংনা চুল্লবসু মখোয়গী মীচংদা লেপ্পগী মহুত্তা, ইনাকখুনবা শেঞ্জাও পায়বশিংনা লাল্লি হায়বা খঙনা খঙনা লন্নাই খুদোংচাবা খরগী মখোয়বু কনখৎতুনা থল্লোইদবনি। ঐখোয়না মতম খুদিংমক্তা অচুম্বগী মীচংদা লেপকদবনি হায়খি।

থৌরম মপুগী ৱারোল পীরদুনা ঐচ ইবোমচানা হায়খি, ঐখোয়গী লৈহাও চেল্লবা লৌবুক অমদি পামশিংদা চেঙ, হৱাই, চুজাক অমদি মনা-মশিং মরাং কায়না পুথোক্লবগী থৌশিল লৈতবদগী চিঞ্জাক্তা লমদমসি খম থেংনা মীপাল তাংলে। লোইলম লৈঙাক্লা লোইমচাশিংগী চাকখাওদা লান্দাদুনা মখোয়গী মীনাই ওইহনবা হায়বসি ঙসি ঙরাংখক্কী ৱা নত্তে, মতম কয়াগী মমাঙদগী চথরক্লবা থৌওংনি। থৌওংশিং অসি ঙসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ঐখোয়গী মীয়ামদা চথুরি। মসিদগী নাম্থোক্লবা ইরমদমগী পোথোক পুথোকপদা মায়ওন পীদুনা চিঞ্জাক্তা মীপাল তাংদবা কংলৈপাক ওইহল্লসি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

৪২রক শুবা লূপকী মপোক কুমওন থৌরম অসি লূপকী সেন্ত্রেল হেদ ক্বার্টর, জেনরেল হেদ ক্বার্টর, ত্রেনিং সেন্টর অমদি অতৈ য়ুনিটশিংদসু অচম্বা থৌরমগা লোয়ননা পাঙথোকখি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

## [illegible]/পাউচেঞ্জবা

লাক্লিবা চৈচৎ ১৬/৪/২০২২, শজিবুগী থানিল, থাংজ নুমিৎসিদগী হৌজরগা চৈচৎ ২৪/৪/২০২২, নিংথৌকাবা নুমিৎ ফাওবা নুমিৎ ১০ (তরা) নি চূপ্পা ১৭ (তরাতরেৎ) লক শুবা শজিবু ঈনাৎ ঙাইখঙ কুমহৈ, ইমা লৈশেম ঈনাৎ লোয়শঙনা থৌপু ওইজদুনা পাঙথোকচগনি।

লৈপাক নিংথৌ ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা নিংথৌ অমা ওইনা নিংথৌকোন্দগী মচা-মনাই-অঙম-অথৌ-অমাইবা-অমাইবী-পেনানচিংবগা লোয়ননা পন্থৌগী লাইফম তম্না খোঙলেংলক্তুনা কৎপীরম্বা মীংলেন 'চীংঙু লাই তাইঙম্বা খোয়ুম লাইলুপ ঙাইখংবা' শজিবু থানিল শগোলশেন, এপ্রিল ১৩, ২০০৬ নুমিৎসিবু নীংশিংজদুনা ঈরাৎ থৌনি পাঙথোকচগনি।

কংলৈসিগী ইয়েকচা সলাইচা পূন্নমক্লসু থৌগল ফংমিন্নসি হায়না পাউচেঞ্জরি।

মফম :- নোংপোক চীংঙু থোং মৈতৈ লাইকোল, থলো সিপি লোক শৈল্লোই লম্মাই চীং

মতম :- লুৱাং পুংজা - ২:০০

HL-P/2270/16 **পাউচেঞ্জরিবা- ইমা লৈশেম ঈনাৎ লোইশঙ**